## পি ঐচ সিদা নাইট সার্ভিস লৈহনবিয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): পব্লিক হেল্‌ঠ সেন্টর ৱাজিং লমদিংদা পুং ২৪ মথৌ তৌদুনা খুঙ্গংগী লায়রবা ইমুংগী লাইরবশিংগী লায়েংবিরম্বা পি ঐচ সি অসি নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী নাইট সার্ভিস লেপখিবদা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, পি ঐচ সি অসিদা নাইট সার্ভিস লেপখিবগী মরম অসি হোস্পিটাল অসিদা ডোক্তর মরাং কায়না লৈতবদগীনি হায়রি। মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লাইরবা মীয়ামবু নুংশিবিদুনা অথুবা মতমদা ৱাৎলিবা ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিং হাপচিনবিদুনা অথুবা মতমদা পুং ২৪ মথৌ তৌবা পি ঐচ দি অমা ওইহনবিয়ু।

অতেনবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারবদি খুঙ্গং অসিগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিএসনগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং কয়া চত্থরগনি। হৌজিক অনা-অয়েক য়াম্না থোক্কনবা মতমনি। মরম অসিনা পি ঐচ সি অসিদা নাইট সার্ভিস অমুক হন্না লৈহনবিনবা মরি লৈনবশিংগী পূক্লিংসু চিংশিল্লক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): মার লোলদা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে 'মাসোনা থার'গী কো-এদিটর অমসুং সিনিয়র জর্নেলিষ্ট জোসেফ জৌতেনা জুন ২৮ দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান-তোঙানবা চয়োলগী চেফোং অমদি নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচে কয়াগী এদিটর ওইরম্বা জোসেফ জৌতেনা নোর্থ-ইষ্ট সন, পি টি আই অমদি ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে কয়াগী কোরেস্পোন্দেন্ট ওইনসু থবক তৌরম্মী। হৌগৎলক্লিবা পাউমীশিংদা পুক্লিং ইথিল পীরম্বা জর্নেলিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা পোথারুবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## দিপার্টমেন্টনা শো কোজ নোটিস থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): কারোলিন এল হুংয়োবু কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ৩০ দগী ওঠোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা এবসেন্ট ওইরম্বা থেংনবদগী দিপার্টমেন্টনা পাউচেগী খূথাংদা শো কোজ নোটিস থাদুনা পাউচেশিংদা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭নী ফাওবগী মনুংদা মশানা শহি তৌবা শেংদোক চে পীরক্তুবদি ভাইওলেসন ওফ দ সিভিল সর্ভিস রুদকরুল ১৯৬৪ গী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মহাক্কী মথক্তা অকনবা চৎথবা য়াবা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং চৎথরগনি হায়না খঙহনখ্রে। নোটিস অদুনা মখা তানা হায়রি মদুদি কারোলিন এল হুংয়োনা এবসেন্ট ওইবগী মরমচাবা মরম পীবা ঙমদবনা শো কোজ নোটিস অদু থাখিবনি।

## কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ১৫ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিমনা থা অসিগী ১ গী অয়ুক্কি পুং ১০.৩৫মুক তাবা মতমদা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা থিবা হুন্সা চত্থবদা কে সি পিগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা অরুবম সরত মৈতৈ (৩৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা সনাজাওবা মৈতৈ কৌই। লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। মহাক লম্লাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মহাকপু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চত্থখ্রে হায়রি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): এদভান্স স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী তরুকশুবা ফাউন্দেসন থৌরমগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা হোস্পিটাল অসিগী কেজ্যুএল্টি ব্লোক্কী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা পাঙথোকখ্রে।

অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ১ফাওবা চত্থখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা ডোক্তর, নর্স, ষ্টাফ অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মীওই য়াওনা পুন্না মীওই ৩০ রোম্না ঈ পীখি হায়রি। এদভান্স স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু চত্থখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# লৌউ পন্থা অসিদা লৌমীশিংগী য়েংলগা ফৌদি, হার ফংহনবগী থৌশিলদা সী এমনা মীৎয়েং চঙবীয়ু : লৌমী লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): লৌউ পান্থা অসিদা লৌমীশিংদা ফৌদি অমদি হার ফংহনবগী থৌশিল নুমীৎ খুদিংগী হোং-হোংলগা শিল্লিবা অসি অথুবদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না অপূনবা লৌমী লূপ (এ এল এল), থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৌমী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবসি কমদৌনা কোকহনগদগে হায়বসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা অঙম-অথৌশিংনা হোৎনবগী মমি ঙসি ফাওবা তাদ্রি। হৌজিক ওইরিবা কুমগী নোংজু অসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা হান্না থানবা থৌরাং তৌজরম্বা ফৌ মখলশিং হৌজিক্তি থাবা য়াররোইদৱা ফীভমদা লাক্লবনা লৌমীশিংদি অৱা পোৎলুম অমা অমুক পুবা হৌরে। লৌমীশিংগী তান্নফম ওইরিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টদা চৎতুনা অথেংবা মতমদা থাবা য়াবা ফৌদিশিং হাংলুরবসু লৈতে হায়রকপনা লৌমীশিংদা অমুক্কা হেন্না নীংবা কায়বা হায়বদু ওইরে। লৌমী-শিন্নীশিংগীদমক্তা লৈরিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অসি লৈতবনা হেন্না ফরবরা হায়বগী ফীভমদু য়ৌরে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঈকংগী ফীভম য়েংশিনবা চৎপদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৌমীশিংগীদমক্তা অতেনবা মতমগী ফৌদিশিং মতিক চানা থৌরাং তৌদুনা থম্লে হায়বা ৱাফম অসি তাবদা লৌমীশিংগী পূক্লিং হরাওনখি। অদুবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টদা চৎতুনা হংলুবদদি ওন্ন-তৈনবা ফীভমদা ফৌদি লৈত্রে হায়রকই। মসিবু তশেংনা থৌরাং তৌদুনা থম্বজাৎলা। লৈরগনা করম্বা মতমদা পীনবা থল্লিবজাৎনো হায়বসি চমম্নবা পোকই। নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টরদা কনাগুম্বা খরনা লান্না লমজিংলিবরা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। চিরবা তানফম অসিদদি অসিগুম্বা থৌওং অসিদি লৌমীশিংদা তৌহঞ্জনিংদে।

করিগুম্বা কুমগী নোংসিনা মতম চানা চুরম্লবা নৎত্রগা ঈথৈ-লৌখোং লৈদুনা ঙন্না লৌ পানবা য়ারম্লবদি লৌমীশিংনা অসুক ৱানা ফৌদিগীদমক্তা কোয়চেন চেন্দুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টদা হংলুরিবসি হংনরম্লোই। উপায় লৈরক্তুনা মপী-মপা অমগী মফমদা হংফম থোকপগী হংলরিবনি হায়বসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা খঙফম থোকই।

তোঙান তোঙানবা উপায় থিনরকপদা ঈশিং ফংবা ফংদবা থিদনা লৌমী অয়াম্বনা খঙনা ফৌ হুন্নরে। হুন্নখিবা ফৌশিং অসি নোংখজিক্তং তারকপদা হার চাইদুনা ফৌ পাম্বীশিং মশা-মউ ফহন্দবা য়ারোই। মসিগীদমক্তা লৌমীশিংনা থৌরাং তৌদুনা থমজহৌগদবা হার অসিসু অঙকপা মওং অমদা পীরি। লৌমী মীয়ামদা হার ফংহনবগী থৌওং অসিদি লৌমী মীয়াম্না ফংবদা কমদৌনা ৱাহনগদগে অমদি মনিংথোঙদা পুথোক্লগা য়োনগদগে হায়বগী মওংদা লৌমীদা ফংহনবা হার ওইরি।

পাট্রা পায়রিবা লৌপুশিংনা লাঙ্গোল পায়বা লৌমীশিংনা হার বেগ ১/২ লৌনবগী পাট্রা পায়নিংদে। লৌফমগী পাট্রা পায়রিবা মীওইশিংদি ঙসিগী লৈঙাকপশিংগীসু লৌফম ময়াম অমা য়াওরিবনি। কনাগুম্বা মিনিষ্টর অমগী লৌফমগী পাট্রা লাঙ্গোল পায়বা লৌমী অদুদা পীনিংগদ্রা। লৌপু ওইরিবা পাট্রা পায়বা অয়াম্বনা ইম্ফালদগীনি। পাট্রা পায়বা লৌপু উননবা হোৎনবদা লৌমীশিংদি অসুক্কী মতিক য়াম্না ৱাই।

চীংগী লমদসু চীংগী লৌমীশিংনা অরাপ্পা খুল অমদগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তান্না হার লৌবা চৎপা হায়বসিসু ওইথোক্লরোইদবা থৌশিল অমনি। লৌমীশিংদুগী হার অদু হুরানবা য়ানবা শিনবা থৌওং ওইরবরা হায়না লৌমীশিংনা হংনরক্লি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লমদমসিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংদা পীফম থোক্তবা হার পীরিবসি দোক্সমেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা পীরিবরা হায়বসিসু লৌমীশিংনা হংনরক্লি। এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা অসুম্না লৌরিবসিগী মহুৎতা মখোয় মখোয়গী এ সীশিংদা মফম চাবা য়েংদুনা হার থম্ফম গোদাউন ৭/৮ শাদুনা থল্লগা মফমদুদা ফংহল্লবদি লায়রবা লৌমীশিংসু শেল লৈবা, খুদোংচাবা মতমদা লৈজবা ঙমজগদবনি। অসুম্না তৌরবদি থৌশিল হৈবা লৌমীশিংগীদমক্তা খনবা এম এল এ, মিনিষ্টরনি হায়নগনি। হৌজিক তৌরিবসিদি লৌমীশিংগী মিংদা হারশিংদু পুন্না পুন্না লৌরগা মনিংথোঙলোমদা চৎহনখিবা য়ানবা থৌরাং থৌশিলনি।

লৌমী মীয়াম্না লাউনিংবা লাউজ সনু অঙম অথৌশিংনা তৌনিংবা তৌগনি খল্লগা থবক তৌরবদি লৈবাকঈরাং থোক্লবা শিনবা থৌওংনি হায়রোইদবগী মরম লৈবরা। লৌমী মীয়ামগী খোল্লাও তাবীনবা লৈত্রবা মণিপুরসিদা লৌমী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লৌমীশিংবু মীকপ থোক্লবগী থৌদাং লৌরিবা এ এম পি এফ এনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা লৌমী মীয়ামগীদমক্তা য়াইফনবা ৱাকৎপা হায়বসি মরম চাই।

চীফ মিনিষ্টরনা কেবিনেট মীফম কয়া চীংদা ফম্বগা লোয়ননা তম্পাক্কী খুঙ্গং কয়াগী অৱা-অনা য়েংবীবা, চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপীরিবা চৈরক, লৌউ পান্থা অসিদা লৌমীশিংদা ফৌদি অমদি হার ফংহনবগী থৌশিল অসি নুমীৎ খুদিংগী হোং-হোংলগা শিল্লিবা থৌশিল অসিনা ৱাহন্থোক লৈহল্লোইদৌরে। অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীনবা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাবদা অথিংবা পীদনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর কন্সত্রক্সন সপোর্টিং কম্মিটিনা শীন্দুনা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাগৎনবা হোৎনরিবা অসিদা অথিংবা পীবীদনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাখাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর কন্সত্রক্সন সপোর্টিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্টকী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা হৈস্নাম হেম্বনা হায়খি, ৱাখাদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাবা হায়বসি মায়কৈ অসোমগী ওইনা চাউখৎপগী মঙাল লাক্লগদবনি। মসিদা পেন্নদবা হায়বসিদি লৈগনি। অদুবু পেন্নদবশিং অদু থাদোক্লগা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাবদা মতেং পাংশিনসি। অথিংবনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসি হোংখিবা তারবদি ঐখোয় নিঙমহৌরোই।

ৱাখাদা লৈরিবা অচিকপা লৈকোল অসি রিজার্ব ফোরেষ্টকী লেন্দনি। মপুনা কেস অমা তৌরকখি অদুবু কেস অদুসু দিস্পোজ তৌখ্রে। লৈঙাক্লা শাগদৌরিবা মফম অসি ক্লব, ওর্গনাইজেসন, খুঞ্জাশিং অমদি খুন্নাইগী ওইবদা শোক্লিংঙাই লৈতে। মরমদি শাগদৌরিবা লম অসি লৈঙাক্কী ওইবদনি অদুগা লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়বসি খন্থবসু চঙই। ৱাখাদা শাগদৌরিবা অসি লমদমসিগী চাউথোকচনিংঙাই অমসুনি।

দরবারনা অমদি সেট্টলমেন্ট এসিষ্টেন্ট ওফিসরনা লম পীরম্বনি হায়রগসু কমজা ১৯৪০ দা ককখ্রবনি। লমদম অসিগী লৈরক্লবা চীংগী মফমশিং অসি রিজার্ব ফোরেষ্ট ওইনা লৈরকপা ঙাক্তনি। মতম মতমগী ওইনা লম পংপীদা পীবা অসিসু লিগেল ওইদে। নোংমাইচীং অসিসু সদর হিলস হায়না লৈরকপদগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী রিজার্ব ফোরেষ্ট লেন্দ ওইনা থমখিবনি। কুমজা ১৯৬৬ তা ইনি দয়া লৈঙাক্লা ফোরেষ্ট লেন্দ ওইহন্নবা ওর্দর থোকখিবনি। মতম অদুদা চীংয়াদা তারিবা খুঞ্জাশিংগী হক পীননবগীদমক্তা কুমজা ১৯৬৬ তগী ১৯৯০ ফাওবগী মনুংদা ক্লেম তৌরক্লবগী খুদোংচাবা পীখি। অদুবু ৱাখা খুনগী ওইনদি লৈঙাক্লা পীরিবা মতম অদুদা ক্লেম তৌখিদে। নহারুপ খুনগী মীওইশিংদি তৌখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিগী উরেপ-উয়ুং তমদ্রিঙৈদা ক্লব, খুঞ্জাশিং, লোকল বোদিগী মীহুৎশিং অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা স্পোট ভেরিফিকেসন তৌদুনা মীটিং ফম্লবা মতুং দি সীনা প্রোসেস লোয়রবনি। কুমজা ২০১৮ দা অমুক অয়েৎপা পীবা হায়বসি ঐখোয়গী মাঙজবা অমনি। মসিদা লিগেল ওইবা কয়াসু য়াদনা লাকখ্রবা ঙাক্তনি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শরতচন্দ্রনা হায়খি, ৱাখাদা শাগদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসি ৱাখা খক্কী নত্তে। লমদম অসিগী ওইবদা নত্তনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লৈবাকশিংদা চাওনা কান্নবা পীগদবা মফম অমসুনি। হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াদগী মণিপুরগী কলচর খঙননবা থিজিনবা লাক্লি। তম্বা লাকপসু কয়া অমনি। মসিদা য়ুনিভর্সিটি শাদুনা ৱাখাদা লৈহৌবা হায়বসি ঐখোয়গী অচৌবা চাউথোকচনিংঙাই অমনি। অয়েৎপা পীবীদনা শাবা ঙমহন্নবা হোৎনসি। তুংদা ৱাখাগী মীয়াম্না নিংঙমদবা লাক্তনবা শানবা হোৎনসি হায়খি।

## শিজদা লায়কন্নরিবী ১দা শেল তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): ওটোরিস্কোনা থোম্বদগী শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা লায়েংলিবী খা পোৎশংবমদগী মাইবম বিমোলাদা শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদগী অঙম্বা শেলগী মতেং পীখ্রে।

শিব সেনা মণিপুরগী সেক্রেটরি সোরোখাইবম ব্রোজেন, য়ুথকী প্রসিদেন্ট চিরোম গীতন, য়ুথকী সেক্রেটরি টি ঐচ ব্রোজেন য়াওনা টিম অমনা ঙসি শিজ হোস্পিটালদা চৎতুনা শেলগী তেংবাং পীখি। টিম অদুনা অনাবা অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগসু ৱারী শানখি হায়রি।

## পার্কিংগী মতাংদা কোর্পোরেটর খরনা চার্জ তৌরক্লিবা অসি অরানবনি : মেয়র

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): খ্বাইরম্বন্দগী অকোয়বদা পার্কিং পীবগী মতাংদা কোর্পোরেটর খরনা চার্জ তৌরক্লিবা অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

আই এম সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল লোকেশ্বরনা হায়খি, পার্কিং কাঙলোন লান্না মফম ১০০ হেন্না পীশিল্লে হায়না চার্জ তৌরক্লিবা অদু অরানবনি। হেঞ্জিনবা ৱাফমনি। গাড়ী পার্কিং অসি টি আর সীনা পীবা অমদি আই এম সীনা ত্রাইয়েল বেসিসতা টেম্পররি ওইনা টেন্দর তৌদ্রিঙৈ মরক্কী ওইনা মফম খরদা পীবনি। মসি পুন্নমক আই এম সীগী চেদা লৈবা ঙাক্তনি। কাঙলোনগী ৱাংমদা পার্কিং পীবা করিসু লৈতে। পার্কিং পীবগী থবক অসি কাঙলোন অমগী মখাদা চত্থবা ঙাক্তনি। হোর্দিংগী মতাংদা থম্লকখিবা ৱাফম অদুদি নেসনল হায়ৱেদা মিটর ১০ গী মনুংদা হোর্দিং থেৎপা য়াদে হায়বা কাঙলোন লাকপদগী লৌথোকপনি। পুন্নমক অসি আই এম সীগী কাঙলোনগী মখাদা চত্থবা ঙাক্তনি। কার্দ শাবগী শেল খোমগৎলে হায়না থম্লকখিবা ৱাফম অদুসু অরানবনি। কার্দ শাবগী শেল খোমগৎপা লৈতে।

কোর্পোরেটর খরনা নোকন-ফিদেন্স মোসননচিংবা থাঙ্গৎলকপা লৈ। মসিদি মখোয়গী রাইটনি। নোকনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎপা য়াই। অদুবু মরম চাদনা ব্লেম তৌবীগনু। পুকচেল খোয়জেল তীন্ননা থবক তৌমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী মায়কৈদা খুম্মাং চাউশিন্নবা হোৎনসি।

আই এম সীগী কোর্পোরেটরগী পে দ্যু লৈতে। ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইনা থা খরগী পেন্দিং লৈ। মসিদি হান্নগা য়েংনরুরবদি য়াম্না ফীভম ফরবনি। মমাঙদা আই এম সীগী ইমপ্লোয়ীশিংগী থা মশিং য়াম্না পে ফংদবগী খুদোংচাদবা থেংনদুনা লৈরম্বনি। মসি হৌজিক্তি খরা হন্থরবনি। লৈঙাক্লা আই এম সীদা পীবা গ্রান্ট ইন এইদকী শেনফম অসি লুপা ক্রোর অমা য়ৌনা পীবীনবা হায়জবা লৈখ্রে। মসি য়াররুগদি শিংদাক-শিঞ্জিন্দা য়াম্না খুদোংচাগনি। আই এম সীনা প্রোপর্টি টেক্স লৌবগী থবক চৎনরক্লবদি থবকশিং য়াম্না খুম্মাং চাউশিল্লক্কনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মসি চৎনদ্রি। প্রোপর্টি টেক্স বোর্দনচিংবা শেম্বদি লৈখ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর হীল জর্নেলিষ্টস' য়ুনিয়নগী মেম্বর অমসু ওইরিবা চুরাচান্দপুরদগী সেনিয়র জর্নেলিষ্ট জোসেফ জৌতেনা হৌখিবা জুন ২৮ দা মতুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুরগী আর দি এন্দ পি আর মীনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমদা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা হায়, জৌতে চুরাচান্দপুরদা বেজ তৌবা লোকল ন্যুজপেপর 'মাসোনা থার' গী কো-এদিটর ওইরম্মী। মহাক লৈখিদবা অসি জর্নেলিষ্ট ফ্রেটর্নিটিখক্তগী নত্তনা খুন্নাই অসিগীসু মাঙজবনি।

## দিজিলোকরগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি নেসনল ঈ-গভর্ণান্স দিভিজননা খুৎশম্ননা শীন্দুনা ঙসি সঙাই হোল, হোটেল ইম্ফালদা দিজিলোকরগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ সেক্রেটরি সুরেশ বাবুনা হায়খি, দিজিলোকর হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মরুওইবা দোক্যুমেন্ট কয়া অমদি লাইসেন্সনচিংবা ফাওবা দিজিলোকর অসি শীজিন্নরগা মোবাইলগী খুত্থাংদা হাপ্পা য়াই। মসিনা চে-চাং য়াম্না পুরগা চৎত্রবসু য়াহল্লে। আই টি সেক্তর য়াম্না খুম্মাং চাউশিল্লক্লি। দিজিলোকরগী খুদোংচাবা অসি মমল য়াম্না তাঙবা স্মার্ট ফোন খক্তা নত্তনা ইচম চম্বা ফোনদসু হাপ্পা য়াহল্লবদি য়াম্না ফগনি। দিজিলোকরগী কান্নবশিংগী মতাংদা এৱ্যেরর্নেস পীবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিকী কম্মিস্নার সুমন সিংহনা হায়খি, দোক্যুমেন্ট কয়া দিজিলোকরদা পুন্না হাপ্পগী খুদোংচাবা লাকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। দিজিলোকর শীজিন্নবা মীগী মশিং য়ামখৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনল ঈ-গভর্ণান্স দিভিজনগী দিরেক্টর দেববর্ত্ত নায়ক অমদি এন আই সী মণিপুরগী ষ্টেট ইনফোর্মেটিক ওফিসর রাজেনসু শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ অদুদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবশিং অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়ানা দিজিলোকরগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। ৱার্কশোপ অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানসু ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মতাংদা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহল্লু : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): কুমগী নোং তাদবনা লৌ পানবা য়াদবদগী লৌমীশিং ৱানা খাংলি। পোৎচৈ, চেঙ-হৱাইগী মমলসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। নোংজু থা তংখায় অমা হৌখ্রে। মীয়ামগী হিংনবগী চীঞ্জাক, মহৈ-মরোং পুথোক্কদবা লৌফমশিংনা নোং তাদবদগী কংদুনা লৈবনা লৌমীশিং হা-কার লাওনরে। হার ফংনবা হোৎনবদসু লৌমী কয়া থৱায় ৱাবনা মথোং মরম খঙহনদ্রে হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রিটয়র্দ এগ্রি সাইন্টিষ্ট এ চাওবা শর্ম্মানা লুচিংদুনা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন সিংহজিৎ, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস নিলাকামোল, ভাইস প্রসিদেন্ট য়ু রাজমোহন য়াওবা অখন্নবা টিম অমনা চহী অসিগী জুন ৩০ দা ইকংগা মান্নরবা লৌফমশিং য়েংবা চৎপদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা অৱাং ঙাইরাংবম খুলগী লৌ পরি ৬০০ রোম হেনবা লৌফম অসি হৌজিক ফাওবা লৌ উনবা ঈশিং অমত্তা লৈরমদে। পাৎ-তুরেলসু লৈতবনা করম তৌগদৌরিবনো হায়না লৌমীশিংনা অৱাবা পোৎলুমগী ৱাখল তৌনহৌবা থেংনরকখি। করিগুম্বদা নোং হৈথরক্তুনা তারক্লবদি হার চাইনবনা কমদৌনা ফংগদৌরিবনো হায়নসু ফুস্থুংনহৌরি।

খুলসিদা লৈবা ক্লবকী সেক্রেটরি, চ্যেরমেন অমসুং মেম্বরশিংগী মতুংইন্না খুলসিদা লৈরিবা মপাও থিংঙেল দাম মচা অসি শাখিবা চহী ৮ লোম শুরবসু কায়খিবদগী লৌমীশিংদা কান্নবা অমত্তা পীবা ঙমদ্রি। ঈশিং তুংদে, উ-ৱা, নাপীনা ইশোং শোংজিল্লে। দাম অসি খরা মমাঙ হায়গৎলগা শারবদি মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়নসু ক্লবকী সেক্রেটরিনা পাউদম্লকখি। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরবা লৌমী খরনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা লাক্তবগী ৱারৌবা ৱাফম ফোঙদোরকখি। খুলসিগা তায়নবা মোরোক ইংখোলগী লৌ পরি ৪০০ রোমসু পাৎ অমসুং তুরেল লৈতবগী ঈশিং মরাং কায়না ফংদবদগী লৌমীশিংনা অৱাবা মায়োক্লহৌরি। নোংগী ঈশিং নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে হায়রকখি।

ইকংগা মান্নরবা লৌফমশিং য়েংশিন খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৌমী লূপকী টিমনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী ঙাইরাংবম অমসুং মোরোক খুলগী লৌমী অমসুং লৌফম কন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা খোঙথাং লৌখৎপীদুনা লমদমসিদা ঈশিং ফংহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা তকশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কাদাগী একাদেমীক এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা চহীসিগী জুন ২৯ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না হিয়াংথাংদা লৈবা সেন্ট ষ্টেফেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা একাদেমীক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পাঙথোকখিবা একাদেমীক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা পুনাচন্দ্র লাইশ্রম, প্রিন্সিপাল সেন্ট ষ্টেফেন হায়র সেকেন্দরি স্কুল, হিয়াংথাং, হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট কাদা অমসুং মাইস্নাম ওংবী মেমচা, ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা গীতচন্দ্র মঙাং, সেক্রেটরি জেনরেল কাদাসু শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা গীতচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, অঙাং অমনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা হৌরকপা হায়বসি ইমুং-মনুংদগী হৌরকই। ক্বা চাবী মমা ওইবীশিংনা মনঙ্গনদা পোরিবা মচাশিংবু নিংঙাই তৌরক্তনবা হায়দুনা হিদাক মনাগী মহাও তৈরবা ক্বাদা য়াওবা য়ুবি অদু অঙাংদা পীজবনা অঙাং অদুসু হিদাক মনাগী মহাওদা হৈনরকই। মমা অদুনা ক্বাদা য়াওবা য়ুবী অদু ইল্লক্তুবা মতমদা অঙাং অদুনা মমানা ক্বা চাবা মতমদা য়ুবী চাগে হায়রক্কনি। মতৌ অসুম্না অঙাং অদুনা মপুং মরৈ ফারক্লবা মতমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং লৈরুনবা কৈদৌনুংদা পাওখোন থারোইদবনি। লোয়ননা অঙাংশিংগী মমাঙদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম শীজিন্নরোইদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অসিদসু নত্তনা বার্থ দে পার্টিগী মিংদা হৌজিককী মতমদা চৎনবী অমগুম্না বিয়রবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমা ওইনা লৌনরক্তবনা বার্থ দে পার্টি য়াওরুবা অঙাংশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক কয়া শীজিন্নরকই। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সননা স্লাইদ কাপ্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা ঐখোয়গী হকচাংগী ওর্গানশিংদা পীবা অমাংবা কয়াগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা চহী অসিগী জুন ২৯ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা ন্যু চেক্কোন্দা কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংগা পুন্না চত্থখিবা দ্রাইবতা য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফাগৎলবা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌশিং অদু কোনুং মমাঙদা লৈবা আর দি এস স্কুল মমাঙদা পুরক্তুনা মীয়াম মমাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে। মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং অমদি লৈকায় লৈকায়গী ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা হৌখিবা চহী কয়াদগী লমদম অসিদা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া লমদম অসিদগী থিংদুনা লমদম অসিগী নহারোল কয়াগী পুন্সি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লবসু হৌখিবদা অমদি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক্লা লমদম অসিদগী য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখলশিং মপুং ফানা থিংনবা হোৎনদবনা লমদম অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহারোল কয়া অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়াদা লাইচুরক্লি। খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্লরক্লি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংননবা পুকচেল শেংনা খোঙথাং লৌখৎলক্তবা হায়বসি মায়কৈ খুদিংদা অকিবগী ফীভম মায়োক্লরিবা মশিং য়ামজদবা লমদম অসিগী য়েলহৌ মীয়ামগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবনি।

নাকল অমরোমদা, মপান লমদগী নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা হায়জি লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিংনা হান্নদগী লৈজরকপা য়েলহৌ মীয়ামগী মশিংদগী হেনখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্লি। অসিদসু নত্তনা লোনা থিংখ্রবা মীওইবগী পুন্সিবু লৈখা তানা মাঙহনবা ঙম্বা তোঙান তোঙানবা য়ু অমদি অতৈ দ্রগ মখল কয়া লমদম অসিদা অথিংবা য়াওদবগুম ফোংনা য়োল্লক্লি। অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং মরাং কায়না ফংবনা লমদম অসিগী মমল য়াম্লবা নহারোল কয়া নোংম-নোংমগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুবা হেল্লকপনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা নহারোল কয়াগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্লরক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ꯑꯣꯔꯤꯌꯦꯟꯇꯦꯜ ꯏꯅꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ
OILS COACHING CENTRE
SANGAIPROU MAMANG LEIKAI, IMPHAL
Knowledge conquers all
Temporary office: Khuyathong SB building, near LIC office

Admission open
(5 Months Foundation Course 2019)

Facilities Provided:-
1. Smart Class.
2. Unique Teaching Pedagogy.
3. Study Materials.
4. Regular Doubt Clearing Sessions.
5. Weekly & Monthly Test Series.
6. Guest Faculties from Reputed Institute /University.
7. Biometric Attendance.
8. Classes Under CCTV Surveillance.
9. 5% discount for textbook

Class XI & XII Science
40 Seats only

Scholarship Entrance test:
> First 3 toppers :100% (Fee Waiver)
> Top 4th – 10th : 75% ( Fee Waiver)
> Top 11th – 20th : 50% ( Fee Waiver)
Last date of regd. : 20th June, 2019.
Date of Exam. : 23rd June, 2019.

Last date of Admission : 2nd July, 2019
Class starting : 4th July, 2019

Subjects offered:-
Phys, Chem, Bio & Maths

Special Offer:
i. 15% off for BPL/AAY card holders.
ii. Rs 2000/- off for Govt. School's Students.
iii. 100% fee concession on 80% and above in class X Board Exam.
iv. Free Revision Course (2 months).

For further details please contact: 7005187403 8414874458, 9774114538
OILS Coaching Centre oilscc2019@gmail.com
HL-P/4274/7/30june/1-7july

ꯑꯦꯗꯚꯥꯔꯇꯤꯖ
B.SC NURSING ADMISSION OPEN 2019-2020
at Gitam University, Visakhapatnam
ADMISSION WITHOUT ENTRANCE TEST FOR MANIPUR STUDENTS
➢ Tution Fees Rs 30,000/- per year
➢ Food & Accommodation Rs. 45,000/- per year
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)
Top deemed University having own medical college & hospital
ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2019-20
at Dr. PSIMS & RF Vijayawada A.P.
B.Sc Nursing : Fees Rs. 45,000/- p.a. Hostel Rs. 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 PCB 45% (Aggregate)
GNM : Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3000/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month (for both B.Sc. Nursing & GNM)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 850 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM, Imphal
# +91 6009062261, 8794026277
HL-P/3874/2-30(alt.) www.gitam.edu www.drpinnamanenisimsrf.edu.in

EDC MOTORS
Kwakeithel Heinoukhongnembi Makhong, Imphal
JOB VACANCY
Application are invited from intended, young dynamic & experienced candidates for the following position

| Position | Requirements | No. of post |
|---|---|---|
| Executive Loan Officer | 10+2 passed and above | 6 (Male/ Female) |
| Mechanics | Experience in 3 wheeler diesel and petrol | 2 (Male) |

Interested candidates may walk in with updated Bio-data/Resume between 10 am - 4 pm
Salaries are negotiable. Preference gives on experience one.
Last date of resume submission = 05/07/2019 & Interview = 06/07/2019
HL-P/3329/4